# ২০২৪গী নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ লাকপদা



**- এস ইন্দ্রকুমার-**

ঙসি হিয়াঙ্গেগী নীনি পানবা, গ্রেগোরিয়ন ক্যালেন্দরগীনা নবেম্বর ৩, ২০২৪, নোংমাইজিং নুমিৎনি। মণিপুরদা লৈরিবা মরু ওইনা মীতৈ খুন্নাই অসিগী নিঙোল ওইবীশিংগী ওইনদি, অতৈ নুমিৎশিংদগী খ্বাইদই থোইদোক হেন্দোকপা কোরৌ নুমিৎ অমনি। নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনি। নিঙোলশিংতা নত্তনা মবুং/মৌপ্বা (পিবা) ওইবশিংনসু মথুম-মরাং হৌজবা, হরাও-মথোয় কাজবা থানি- 'হিয়াঙ্গে'! হিয়াঙ্গেগী অহৌবা নীনি চনবা কোরৌদা যূমথোঙ খুদিং পাঙথোকপা নিঙোলশিংবু চাক্কৌবা - মীতৈশিংগী ওইনদি লমতা থাগী থানিলদগী হৌরগা মঙানি চূপ্পা পাঙথোকপা, করিগুম্বদা তরানি-কুন্নি শাংথবা ঈরাংনা হাবা য়াওশঙ কুম্মৈদগীদি ঐদি খল্লি-নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈনা হেল্লি মরম কয়াদা। মালেমগী পাক চাউবগা চাংদম্লনা য়েংবদা বিন্দু (দোট) অমগী মফমগুম্না কল্লিবা মণিপুর... মীশিংলোমদা য়েংল'সু ঈপাক অমগী ঈরীক 'মগা পাংখক ওইবা মীতৈশিং... মঙাল নাইবা মণিগুম মশেক-মঙাল ফুদোকপা ফূরুপ অমা ওইরিবা-কোখোকপগী লোইবা নাইদ্রবা নাৎকী পূক্কে'সিননি। মীতৈশিংগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিটেজ লৈরম্বননি - মণিপুর কৌবা লমদম অমা মালেমদা লৈ শক্তাক্লিবা। মণিপুরী কলচর'না পল ওইরমদ্রবা 'মণিপুর' মতমগী ঈচেলনা চেম্থদুনা ঈরোলনুংদা লুপ্লল্লনি, মীতৈ খুন্নাই লৈরম্লরোই।

অদুগুম্বা কলচরগী মশক লেপ্পদা, নিঙোল চাক্কৌবগীসু অচৌবা মফম অমা লৈ। মপানগী অতোপ্পা কলচরগী মহুম-লাং, হুমজিল্লকখিবা নত্তে লমসিদা। অতোপ্পা লমগী কলচরদসু লৈরম্বা য়াই ঐখোয়গীগা মান্নবা মশক অমা। 'হোলি' গা য়াওশঙগা পূনখিবগুম, হিন্দুশিংগী 'ভায় দূজ' অমসুং মীতৈগী নিঙোল চাক্কৌবা-অনীনা করম পূনখিবা? থিজিনবা-মী (থিজি ল্লোয়) অমা নত্তবনা, অকূপ্পা পাউ'দুমদি ৱারেংসিদা তমজদ্রে। অহল অমনা, অখঙ-অহৈ, ঈথক থোংবশিংনা তাকপীরকখিবা অদুঙৈ। নোংদা লাইরেন পাখঙবগী সনা হাক্তক, লৈমরেনবী লাইস্না/লৈস্নানা মবুং পোইরৈতোন মফল্লাংদগী পুরকখিবা অহাওবা চাক (চাকহাও) চারুঙৈদগী পেল্লদুনা মবুংবু ময়ূমদা চাক কৌখিবা, চেঙদুই মমিং 'পোইরৈতোন' থোনখিবগী ৱারী। অদুই কোরৌ-নোংদগী, চহী খুদিং লেপ্তুনা 'মবুং'বু চাক কৌদুনা পীজবা, লৈম'ই মতৌ তমদুনা, য়ূম খুদিং-মৌশিংনা মবুং/ মৌপ্বা ওইবশিংবু চাক কৌদুনা পীজবা, চাক্লেন চাবা লোইরগা অচম্বা খুদোল তম্বগী চৎনবী অমা লৈরম্মী- ৱারী ওইনা তারকপনি, লাইরিকশিংদা ইরম্বনি। চনিবী অদুবু 'পিবা চাক্কৌবা' কৌনরম্মী হায়।

কুমজা-কুমওন কয়া অদুম্না চৎনরকপনা ইমুং কয়াদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরমগনি, মচা নিঙোল অমদই হেন্না পোকপা ইমুংশিংদা - করম্বা নিঙোলনা করম্বা পিবা কৌগদগে? পালি নাইনা খায়দোল্লগা কৌনগদ্রা? নিঙোল মঙা, পিবা অমা পোকপদি - নিঙোলশিংদুনা পিবা অদু চাক্কৌনবা, চহী মঙা-মঙা ঙাইনগদ্রা? মরমদি - থৌরম অদু চহী অমই মনুংদা, অকক্লবা নুমিৎ অমদা, নোংমতদা পাঙথোক্কদবনি। মাগী-মাগী অশংবা নুমিৎ য়েংলগা কৌদুনা চাক পীজনবা ওইরবদি 'নিঙোল চাক্কৌবা' - মীতৈশিংগী নাৎকী শরুক অমা কৈদৌনুংদা ওইরল্লোই। য়ূমদা কৌরগা চাক চামীন্নবদুদি ফূরুপ খুদিং, ইমুং খুদিং তৌনরম্লি মালেমগী মফম খুদিংদা। মীতৈশিংগী 'নিঙোল চাক্কৌবা' - য়ূম পানখ্রবী (লুহোংখ্রবী) নুপীশিংবু, মপাম লমগী মবুং নৎত্রগা মৌপ্বা নৎত্রগা মপা ওইবশিংনা নোংমফাদোক ময়ূমদা কৌদুনা চাক পীজবগী ঈচম চম্বা থৌরম অমা নত্তে। অতৈ মতম অমদা লাঙদুনা চামিন্নবই মহাওগা, নীনি পানবা হিয়াঙ্গে, নিঙোলশিংনা মপামদা লাক্তুনা মবুং/মৌপ্বা/মপা/মখুরাগা তরা চীন্নমিন্নবগী মহাওগা... অনী অসি কৈদৌনুংদা চাংদম্লফরোই। চাক্তুগী মহাও নত্তে, নিঙোল চাক্কৌবগী স্পেসিয়েলিটি'। য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবী শাগৈ অমগী নুপী ওইবী নিঙোলশিং অমদি মপাম লমদমদা লৈহৌরিবা পিবা-নুপাশিংদুগা অনীগী তৎনফদ্রবা নুংশি মরী অদু কোমথোকখিদনবা, চহী অমদা অমুক্লক চেৎশিন্নবা কিশিনবনি - নিঙোল চাক্কৌবা ফেষ্টিবেল।

অসিগুম্বা নুমিৎসি মমাঙ'-চহী (২০২৩) দদি, মীতৈ নিঙোলশিংনা লম্বী লমজাওদা থোক্লক্তুনা লাউরকখি ... 'ঐখোয়বু চাক কৌবীগনু'... 'নিঙোল চাক্কৌবা পাঙথোকপীগনু'...। নিঙোল ওইবী খুদিংনা খ্বাইদই খৌরাংনা ঙাইজবা, মীতৈ ফূরুপসিগীসু চাউথোকচনীংঙাই ইনাৎপু করিগী মিরায়থোকখিবা? পূম্নমক্না খঙলবা ৱারোলদু ঐবু ইহনবীরনু। হ্যুমেন সিভিলাইজেসন করিনো খঙদবা, কলচর মশক খঙদ্রিবা, মী ওইদ্রিবা মী খরনা উৎথোক্লকখিবা 'এনিমেলিজম' - মদুনা থোকহল্লকখিবা 'টেম্পোরেরি ফেজ ওফ লাইফ' অমনি খন্দোকসি। ৱারীদুনা লাইমন ওইগুমসি। অদুবু, লুরবা তানফম অসিদা, মৈ হৌরিবা ৱাথোকসিদা থাও হৈদুনা মৈ য়াঙলিবা ভি আই পি, মণিপুর লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ওইনা থৌপাংলিবা অমনা নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎনা লাকপদা মীয়ামদা পীরকপা মথম্মোয়' - পাউজেল... তাবীরল্লনি অদোমসু। থেঙ্কস টু লেটপাউ হাউকিপ! মী অমদা চেনফম থোকপা থম্মোয়দুনি। অদুবু মরুপ অমনা পাউমেল্লকই... 'ভাইরেল ওইরিবা ভিদিওসি মমাঙগী নিঙোল চাক্কৌবা অমদা পীখিবা পাউজেল অমরা নৎত্রগা ঈরাং মরক অসিদা পাঙথোল্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসিদা পীবা পাউজেল্লা'...? ওইনীংবদু ওইরসনু। মাগী থম্মোয় কাচিন্দা, মীতৈশিংগী নিঙোল চাক্কৌবনা পীরিবা নুংশিবই মপাউ অসিমদি লৈরম্মীদনা হায়বসি খঙবগীনি, ৱারেংসিদা মাবু পল্লিবা।

মাগী ৱারী পল্লুবদা নীংশিংলকই - অদুঙৈগী ৱারী অমা। ১৯৮৪গী থৌদোক্লি। মতমদু ঐহাক থৌবালদা পোষ্টিং তারি। কুকি মরুপ নুংশিরবা অমা লৈরম্মী। মমিংদুদি পন্থোকচররোই। শক্লাইবা মী অমনি, পনবতদা খঙগদবা। মহাক্না ঐঙোন্দা তত্তনা ৱারী শাই - মহাক্না খ্বাইদই কল্লকচবা কুম্মৈসি মীতৈশিংগী 'নিঙোল চাক্কৌবা'নি। নিঙোল চাক্কৌবগী নুংগী ৱারোল, হৌরক-ৱারী খঙবা নত্তে। ঐনা হংখি- 'নহাক নিঙোল করিনো খঙলবরা... নিঙোল অমসুং মৌ নুপীগী শক্লোন অনীসিগী খেন্নবা খঙলবরা... পিবা হায়বা নুপাগী শক্লোনসিনা করিনো'...?

মহাক খঙলমদে। করিগীদমক নিঙোল চাক্কৌবই থৌরম? ঐগী ৱারী, মহাক লৌশিনবা ঙমখিবরা/ঙমখিদবরা? মদুমদি খঙদে ঐ। মহাক্না কল্লক্না শোনবা, নিঙোল চাক্কৌববু পামজবা মতৌদুবু ঐনা ইকায়খুম্নদুনা, ঐনা মাগী নুপী (মাও নিঙোল) অদুবু 'ঐগী শাগৈ'- নিঙোলনি লৌরগে ঐ চাক্কৌবীরগে' হায়দুনা কুমদুদই হৌরগা চহী অহুম মাগী নুপীবু ঐগী ইচে অনী, ইচল অমগা লোয়ননা নিঙোল চাক্কৌবা য়াওহনখি। ইমানসু 'চীংমী নিঙোল অমসু ইচানুপী ওইনা ফংজরে' খন্না হরাওজখি কয়াদা (মতমদুদা ঐগী ইচল অনীদি ময়ূম পান্দ্রি)। 'মেরী' (অশেংবা মিং নতে) না চাক্কৌবা লাকপদা নিঙোল অতৈগা মান্নদবা মতৌ অমদি - মাগী নুপাবু চেন্দুনা পুরকপা অদুনি। অতোপ্পা, মাগী চমজবা মতৌ অমনা, নিঙোলশিংনা মপামদা চাক্কৌবা লাকপদা হৈ-রা, অহাও-অথুম খরা পুরগা চৎকনি হায়বা খঙদবা মতৌ অদুনি। শেল ওইনা অমসুং পোৎ ওইনা দক্ষিনা অমসুং খুদোলপোৎ ওইনা পীরিবদুগী ৱাহন্থোক, চহী অহুমদুদদি খঙখিদে। মতৈ-মনাওনা খনখি... 'নিঙোল চাক্কৌবা হায়বসি নুপীনা মপামদা চাক চাবা চৎপনি'...। মরিশুবা চহীদদি, থবক মফম তোঙান্নখিবদগী চাক্কৌবদা চেবাউ পীখিদ্রে।


কুইরবগী তুং ঈরাং অসি থোক্ত্রিঙৈ, থবক পোত্থার'-মতুংদা নোংমা হোটেল নির্মলাদা থেংনৈ, পুমকক চাউবা মশুনুপা অমসুং মপুরোইবগা লোয়ননা। অদুঙৈগী 'নিঙোল চাক্কৌবা' লাকখিবগী ৱারীদু নীংশিংলকই। অদুবু, মাগী ৱাঙাঙ অদুদা নিঙোল অমনা খঙফম থোকপা নিঙোল চাক্কৌবগী মতৌদুদি খঙদ্রি, চাক চাবা চৎপদুনা মরুনি হায়বদুমদি কাউদ্রি হায়বা খঙই। ঙসিসু খঙলমখিরোই। কুকি নুপী নৎত্রগা নুপা অমত্তনা ঙসিসু খঙলল্লোই। ●

# আর কে সী এসকী লাইদা মরৈবাক নুংশিবগী মমি # ৬

## (আর কে সী এসকী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা কৎচবা ৱারেং)

মহাক্কী ইতিহাসকী এগজিবিসন অসিগী মতুংদা খঙহৌদনা মহাক্কী য়েৎ থংবা মীৎ উখিদে, মদ্রাজগী ডাক্তরশিংনা মসিদি কনবা ঙম্লরোই, বি পি ষ্ট্রোকনি, মখা তানা লাই য়েক্তনবা হায়রকখি। অদুবু লৈবাক্কীদমক্তা কৎথোকপদা পোত্থাবা হৈতবা আর কে সী এসনা মমিৎ নাম্মা উদ্রবসু মহাক্কী থৌনাদি হনবা লৈখিদে। পোত্থা-পোত্থা খজিক-খজিক উবোই-উদবোই মীৎ নাম্মনা লাই কয়া মণিপুরগী মাঙখ্রবা নীংথিজরবা নাৎকী ওইবা, চৎনবী য়াওবা লাই কয়া অমসু তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক্তা য়েক্লমখি। লাইশিংদুদা মবেনপোক্না ফুঙ্গা ৱারী লীবা, কৈথেলদগী নুমিদাং অমম্বদা য়ূমদা হল্লকপা, তাঙ্খুলশিংনা মৈ তিক্তুনা-শা লৌবা, পাখঙনা লৈশাবীগী য়ূমদা কোয়রকপদা হীদাক লানবা, হেল্লোইনা চেনবা পনবা য়াই। লাই মশীং ৩৫ য়াওবা লাইগী মেলা অমা অমুক 'এক্সপ্রেসন মণিপুর' হায়না মিংথোন্দুনা জি এম হোলদা ১৯৯৫গী ওক্টোবর ২৩দগী ২৯ ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

এগজিবিসন অসিগী মরমদা মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা 'পোক্নফম' পাউচেদা অসুম্না ইরকখি "... ... ... লমদম অসিদা মহাকমুক লৈবাক নীংবা লাইয়েকপা লৈতে মমিত্তা মমঙদা মণিপুর, মতম অমগী মণিপুরবু উদুনতা লৈরি। থায়নগী মণিপুরগী শকফমদি য়ামখ্রে। ফনা য়াম্না হোৎনখ্রে মহাক মথন্তনা অদুবু ফনা য়াম্না ৱাৎলি পুথোক্কদবা। মী অমত্তগী থবক্তি নত্তে থবক অসিমক্তি মী কাঙবু অমনা কন্না হোৎনরবদি খরমখৈদি ঙমগদবা থবক্লি। অদুবু হৌজিকমক্তি মথন্তা ঙাইরি হোৎনরি চাউখ্রবা থবক অমা..." আর কে সী এস মণিপুরবু য়াম্না নুংশিজখিবা কলাকারনি, অদুমক্না ওইরম্বা য়াই মহাক লৈখিদবা নুমিৎ নবেম্বর ২০, ২০০৪ অসি লৈবাক্কী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা ঐতিহাসিক ওইবা তাঙ্কক অমা ওইখিবা নুমিৎ অসিদনি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা. মনমোহন সিংহনা কংলাবু মণিপুরদা খুৎশিন্নবিরম্বা নুমিৎ অসিদা মহাক ঐখোয়বু থাদোক্তুনা লাইরমলেন্দা চৎখি। কংলা খুৎশিন্নবগী থৌরমদুদা আর কে সী এসকী ইকোন কোনবা ওইল পেন্টিং 'কংলা দি গ্লোরি ওফ মণিপুরী সিবিলাইজেসন'



**আর কে সী এসনা য়েক্লম্বা জপাননা ইম্ফালদা মে ১০, ১৯৪২দা বোম থাদবদা খোংবান্দা চোংথদুনা লোৎপা**

কৌবা শ্রীগোবিন্দগী লাইশঙগী মন্থরক্লবা শক্তম অমসুং অতোপ্পা লাই অমনা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙগী শক্তম অমা, লাই অনী অসি প্রাইম মিনিষ্টরদা খুদোল তমখি। লৈখিদবা নুমিৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরগী লোয়নবী গুরশরন কোরনা আর কে সী এসকী লাইশিং য়েংগদবগী প্রোগ্রাম অমসু লৈরম্বনি। প্রোগ্রাম অদুগী রিহার্সেল হেক লোইবগা মহাক লৈখিদবনি। খুদক্তা প্রোগ্রাম কেন্সেল তৌখি। পাউ অদু তাবদা প্রাইম মিনিষ্টরগী লোয়নবীসু য়াম্না নুংঙাইখিদে। অসুম্না কংলা খুৎশিন্নবা নুমিৎ আর কে সী এস লৈখিদবগা খরা তোৎশিন্নৈ, তশেংনা মহাক্কী থৱায়গা কংলাগা শিন্নখিবগা চপ মান্নখ্রে। অসুম্না শক্লাইরবা পন্দিট এন খেলচন্দ্রনা ইবিরম্বা কন্দোলেন্সকী ৱারেং অমদা পল্লি। মহাক লৈখিদবা মতমদা মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা অসুম্না মহাক্কী কন্দোলেন্স নোটতা পল্লি, "খঙহৌদনা লৈখিদে আর কে সী এস, মণিপুরগী অচৌবা অমাঙবা ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা কনাগুম্বা কলাকার অমা অমুক থোরক্কদবা মান্দে। অঙকপা থৌনানি আর কে সী এস, অঙকপা লিংজেলনি।" অসুম্না মহাক লৈখিদবদা মণিপুরগী অৱাবা অমা ওইখি। অদুবু মহাক্না মণিপুরগী হৌখ্রবা ইতিহাস অমসুং মাঙখ্রবা নাৎকী ওইবা মরোল লোনবা লাই কয়া তুংগী মীরোলগীদমক্তা থম্বীরম্বা অয়েকপা লাইশিংদুনা ঙসিদি মহাক্না লিংখৎপীরম্বা 'আর কে সী এস আর্ট গেল্লরি' না মপান লৈবাক য়াওনা শক্লাইরবা মীওই কয়া কয়ানা, মণিপুরগী মরমদা খঙহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি অমসুং মণিপুরদা লম কোয়রকপা কয়াবু মহাক্কী মরোল লোনবা লাইশিংনা মণিপুরগী মরমদা ৱারী লীরি। ●

*(ৱারেং অসি অশৈলুপনা ফোঙখ্রবা মণিপুরী খোরিরোলদা খোংজোম লাল হায়রিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি)*

**-আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

RKCS 100 BIRTH CENTENARY Years 1924|2024

# তায়েঞ্জম বিজয়কুমারগী ৱারীমচাগী লাইরিক 'নঙগী ৱারী' - লাইরিক অসিদা পীনিংলিবা পাউজেল



**- তোংব্রম অমরজিৎ -**

শিনফম্না ইঞ্জিনিয়র ওইরবসু য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা সাহিত্যদা পূক্নিং লুপচদুনা লাকখি তায়েঞ্জম বিজয়কুমার। অদুনা ৱারীমচা, শৈরেং অমদি ৱারেং ইদুনা লাকই। কুমজা ২০০২দা 'তুরোই ঙাল্লোইবা ৱাগী লানবন' মিংথোনবা ৱারীমচাগী খোমজিনবা লাইরিক অমা পুথোকখি। মহাক্না ইংলিসতা ইবা ৱারীমচা অমদি ৱারেংশিং মমিং লৈরবা পেঙ্গুইন বুক্স, ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি প্রেস, নেসনল নোলেজ কম্মিসনন্নচিংবনা ফোঙবদা য়াওখিবা লৈরে। মহাক্না ইবা ৱারীমচা খরদি তেলুগু অমসুং মলায়ালমদা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে। মণিপুরগী অইবশিংনা ইবা শৈরেং, ৱারীমচা, দ্রামা কয়া মীতৈলোলদগী ইংলিসতা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে। মসিগী মনুংদা অইবা বিজয়কুমারনা রতন থিয়ামগী দ্রামা অহুম 'মণিপুর ত্রিলোজি' ইংলিসতা হন্দোক্তুনা ফোঙখিবা লৈরে। হেনরিক ইবসেনগী অরোইবা প্লে 'When We Dead Awaken' অসি মণিপুরীদা 'অশিবগী ঈশৈ' হায়না হন্দোক্তুনা রতন থিয়ামগী কোরস রেপরটরিনা শান্নখি। ত্রান্সলেসনগী লম্‌দা মহাক লেমজনীংঙাই ওইরবা কথা ত্রান্সলেসন এৱার্দ ২০০৫সু ফংখ্রে। কুমজা ২০০৭-২০০৮দা মালেমগী থাক্তা থা তরুক চূপ্পা পাঙথোকখিবা 'The Sulekha com-Penguin Online Writing Contest' দা মহাক্কী ৱারীমচা অমা খনগৎতুনা কেশ এৱার্দ ফংখি অমসুং পেঙ্গুইননা লাইরিক ওইনসু ফোঙখি। মণিপুরী খোরিরোলবু মপাল লমদা অতোপ্পা লোলগী খোরিরোলদা মশক তাকপদা মহাক্না লৌরিবা মমল য়াল্লবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা সাথৌলূপনা মহাকপু ইন্টরনেসনল ত্রান্সলেসন নুমিৎকা মরী লৈননা 'সর্দা ত্রান্সলেসন এৱার্দ ২০১৪' পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি অমদি নোংথোম্বম মঙ্গি দেবী লিটরেরি এৱার্দ ২০২২ (ইংলিস) সু পীখি। অইবা অসিগী হৌজিক ফাওবদা মণিপুরীদা ইবা লাইরিক অনী অমসুং ইংলিসতা ইবা লাইরিক ৪ য়াওরগা পূন্না লাইরিক ৬ ফোঙখ্রে।

মণিপুরী খোরিরোলদা নুংশি নুংশিরবা ৱারীমচা কয়া পাখ্রে। খুন্নাইগী মিংশেল ওইরিবা ঐখোয়গী খোরিরোলদা পাউজেল পুবা ফজরবা অমদি ৱাহন্থোক য়াম্না লৈবা ৱারীমচাগী লাইরিকসু মরাং কায়না অদুম্মক লৈরি। মীয়াম্না পাম্না পানরি অমসুং অইবশিংনসু লেপ্তুনা ফোঙনরি। মণিপুরী খুন্নাইগী হোংলক্লিবা শক্তম, মীওইবগা-মীওইবগা লৈনরিবা মরী, মালেম অসিদা হিংলিবা মীওই ফূরুপ কাঙলূপশিংনা তাইবঙপাল অসিদা য়েংলিবা মিৎয়েং, খল্লিবা ৱাখল, তৌথোরক্লিবা থবক থৌওংশিং পূম্নমক খোরিরোলদা মমি চাউনা তাদনা খক তোক্তে। কুমজা ২০১২দা ফোঙখিবা তায়েঞ্জম বিজয়কুমারগী 'নঙগী ৱারী' হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা ১৫গী খোমজিনবা লাইরিক অসিদা মপূংদা উরিবসি মণিপুরনি, ইরমদম অসিনি। অদুগা মীওইবা অমগা মীওইবা অমগা লৈনরিবা নুংশিনবগী মরী অসিসু অইবনা মাঙখিদনবা হোৎনরি। খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী হৌরকফম, মসিনা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলদা পীরিবা চৈথেং কয়াসু নৈনরি। মণিপুরী খুন্নাইগী অমম্বা মতম, শাথীনা ৱাবা মতম অমগী থৌদোক্তা য়ূম্ফম ওইরি। মিংথোল ওইরিবা ৱারীমচা 'নঙগী ৱারী' সু। ঙসিদগী চহী ২০/৩০ মমাঙগী মণিপুর, ঙসিগী মণিপুর অহোংবা অওনবদি ইউ উদে। সিমদি ফরে, সিমদি অফবা মায়কৈদা লাক্লে হায়বসি ঙসিসু উদ্রি। অহোংবা মচা-মচা খরা উবা নত্তনা। পূম্নমক ফত্তবদা চৎখিবসু ওইদ্রি। অফবা মী, মীনুংশি চাউবা, লৈবাক খুন্নাইগী খঞ্জবদা নুমিদাং নীংথিজনা পোত্থাজবা ঙমদনা খঞ্জবা মীওইসু ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি হায়বদু অইবগী ৱারীমচাশিং অসি পাবদা থেংনবীগনি। খোরিরোল শূরিবা অইবশিংগী পান্দমসু খুন্নাই অসিবু অচুম্বা অফবা, য়াইফবা মায়কৈদা লমজিংবনি। খুন্নাইগী থৌদোকশিংবু লাচনবনি অদুগা মীওইবা খুন্নাইদা মঙাল অমা পীবদা লাইরিক্না লৌরিবা থৌদাং অসিবু হেন্না মপাঙ্গল লৈহনবনি।



তায়েঞ্জম বিজয়কুমার

লাইরিক্কী মমিং :-
নঙগী ৱারী (২০১২)
অইবা :- তায়েঞ্জম বিজয়কুমার
অফোঙবা :- রাইটর্স ফোরম, ইম্ফালগীদমক তায়েঞ্জম ওংবী নীরমলানা ফোঙবা
লাইরিক্কী মখল :- ৱারীমচা
লমায় মখুম :- অইবা মশা
লাইরিক্কী মমল :-
লুপা ১৩০/-
লমায় মশীং :- ১২৫



অইবা বিজয়কুমারনা মহাক্কী ৱারীমচাগী লাইরিক অসিবু দেদিকেট তৌরিবসি অমুক্তং পাদুনা মসি হান্না নৈনবসু য়াম্না মরু ওইগনি। অইবনা ইরল্লি - "নোংম-নোংমগী মশীং হন্থরক্লিবা, পূকচেল শেংনা শূ-নোল্লিবা, মকা লাম্না নোকপা ফংজদ্রবা-ফংজদ্রবী মখোয়গীদমক" হায়না কৎচরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা অইবনা উরিবসি ঙসি মণিপুরগীতা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বদসু য়েংবা য়ারিবনি। পুকচেল শেংনা থবক শূ-নোম্বা মীগী মশীংদি হন্থরক্লি অদুগা লৌনম নমথাক তৌদুনা থবক শূবগী মশীংদি লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মসিনা চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান হাপচিল্লক্লি। থবক শূদনা খূৎশুমল লৌথোক্কনি। ইঙ্খোল কোয়দনা মনা-মশিং থাবগী গ্রান্ট লৌথোক্কনি। মসিনি তৈন-ওন্নবা ঙসিগী মালেম। পুকচেল শেংবা মখোয়গী ৱারীশিংদি ইদবা ঙমদে অইবনা।

মীমান্নবা ঙম্লবা, হিংনবা হোৎনবদা থেংনরিবা লায়রবা, পুকচেলদি শেংবশিংনা থেংনরিবা পূন্সিগী খুদোংচাদবা কয়া পুথোক্তুনা অহানবমক্তদা ৱারীসি লীরক্লি অইবনা লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা 'নঙগী ৱারী'। মতমগী শিৎলিবা নুংশিৎ, তংদু লৈতাদবা খুন্নাইগী মশকসু মতাং চানা ফেঞ্জিল্লকই। নীংতম ঈহৌগী মিংদা লালহৌলূপ কয়া থোল্লকপনা থোকহল্লকপা থৌদোকশিং নাকোইননা পল্লি খুঙ্গং অমসুং ইম্ফালগী পূন্সি মহিং য়েক্লি। পান্থৈ লৈত-লৈরক্তবদা ইম্ফালদা লাক্তুনা অশানবা য়ূমদা লৈদুনা কোলেজ তমখি প্রোটাগোনিষ্টসিনা। অসোমদা মমানা কৈথেলদা মনা-মশিং য়োন্দুনা মচাগী মহৈ তম্বগী শেল হুন্নবা হোৎনবদা কয়াদি ৱারিবা পূম্নমক ফজরবা প্লোটতা শাগৎলকই। অদুগা মপা অদুনা য়ু ঙাওদুনা করিসু নাচুংদনা লৈরিবা মশক অদুসু ফোঙদোক্লি। অসোমদনা অমুক মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক ফোং-ফোং শারিবা ইস্যু অমা হায়রগদি লৈঙাক্কী থবক লৌবদা য়াম্না শাথীবা মওংদা শেঞ্জা থুমজা তৌবগী মমি অদুসু ৱারী অসিদা মরু ওইবা ইস্যু ওইনা পুখৎতুনা নৈনরি। লৈঙাক্না সিফাই লৌবদা থবক চঙনীংবশিংনা লাখনা খুজিং ওইদুনা লৌ-শিং, ইঙ্খোল য়োন্দুনা থবক লৈনরি। মসিনা পীরকপা নেগেটিভ ইম্পেক্ট অদুনি শাথীরক্লিবসিসু। মসিমক অইবনা পুথোক্লক্লি। মসিগুম্বা ময়াম মরক্তা মীচমদি করম্না হিংলি হায়বদুসু ফোঙদোক্লি। অদুনা প্রোটাগোনিষ্ট অসিনা ইম্ফালগী অশানবা কাদা লৈদুনা হোৎনরকপা মতাংদা মহাক্কী পূন্সিদা মীনমদনা হিংনীংবা মতৌ অদুনা অইবনা অসুম্না ফোঙদোক্লি, "নহাক মীনম-শোরি তৌদুনা নম হাদুনা মীগী মরল-মথুম মুনবা পামদে। নশানা শূজরগা হুমাংমলনা তানবা শেলদুনি নহাক্না পাম্বদি..." (লা: ৩৮)

অশানবা য়ূমদা লৈনা-লৈনা অঙাংশিং লাইরিক তাকপীদুনা হোনিবা অশংবা মতমদা কম্পেনিগী পোৎ য়োনবা, কম্প্যুটর তমদুনা প্রেসতা অমুক থবক মচা অমা তৌদুনা শেল তানবা, মসিদা অমুক তাঞ্জানা য়ারক্তদুনা কোলেজ তম্বা তোক্তুনা হোৎনদুনা শেল তান্দুনা তুংশিঞ্জবা অদুগা মমা অমসুং মচলগী, য়ু ঙাওবা মপাবু য়েংশিঞ্জদুনা হোৎনরকপা মহাক্না ফেক এনকাউন্টরগী থৌদোক অমদা ভিক্টিম ওইখিবা ৱারীসিনা পুরিবা পাউজেল য়াম্না নৈননীংঙাইনি। মহাকপু খাঙুথক্তা পূন্সি পিখম্নহল্লিবসু মখোয়গী লৈকায়গী মহাক্না খঙবা সিফাই খনবদা লৌ ইঙ্খোল য়োল্লগা চঙখিবা অমনা মহাকপু মতু শোনবনি খূৎ হনবা ঙল্লোই খন্না তৌখিবা থৌওংশিং অসিমক সিম্বোলিক ওইনা মণিপুরী খুন্নাইনি অইবনা য়েক্লিবসু। হেক য়ূমথংনদুনা লৈরিবা মীওইশিং ফাওবা থাজবা ঙম্নরক্তবা অদুগী ফীভম অমা লাকপদৌনা তৌরিবা অসিদা নুংনাংদবা ঙমদে। ভিক্টিম ওইরিবা প্রোটাগোনিষ্ট অদুনা মহাক্না তুংশিঞ্জবা শেল খরদুনা পোইনুদা ফৌ খরা ৱানশিন্নবা খল্লম্বা পূম্নমক শেলতবু মীকাবা মীনুংশি লৈত্রবা মখোয়না ফাদুনা লালহৌবগী মিংদা খাঙুথক্তা লোইশিনখি। লমায় ৩/৪দা তেন্না পীনীংলিবা পাউজেল পূম্নমক মচা তানা, ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা ঙম্মী।

মিংথোল ওইরিবা ৱারীমচাসি নত্তবা অতোপ্পা নুংশিবা ৱারীমচা অমদি 'অবোক মচা' অসিসু অমনি। মসিদা ফ্লাস বেক্তা ফর্ষ্ট পর্সন নেরেটিভতা লীরক্লিবা ৱারী অসিদা মতম অমগী নুংশিরবা খোংনাংমখোঙদা পোৎফম ফমদুনা ঈংনা লৈরম্বা খুঙ্গংগী পূন্সিগী মশক অমা মিৎমাংদা উহনবা ঙম্মী। ইচম চম্বা ৱারী অসিদা প্রোটাগোনিষ্ট ওইরিবা ইবোহলনা লৈকায়গী মবোক থোকপা অমনা মখোয় ইমুংনা ৱারবা মতমদা মহাক্কী মেত্রিক পরিক্ষাগী ফোর্ম ফিল-অপকী শেল অচঙবা পূম্নমক পুথোকখিবগী ৱারীনি। তৌইগুম্বসুং অন্ধাবিস্বাসনা মরম ওইদুনা 'অবোক মচানা নুংশিনা পিরকপা বোরোই হৈঙান ফাওবা মমানা তাথি তাথি হায়দুনা মচানা পুরকপদা পীজদবা অমসুং অঙাং অদুবু মতুংদা অমুক চাউনু হায়দুনা কিহনখি। মমৈথংদা মহাক্কী মমা অমদি খুন্নাইনা তাথীনা কি হঙ্গৈাইনা খনখিবা অহল ওইরবী, মরাইবক থীরবী অদুনা মখোয়না খুদোংচাদ্রবা মতমদা ঈ মরীসু থোকন্দবা অদুনা মশুগীনি খন্না নুংশিনা মতেং পাংখি। ৱারী অসিনা অদুগুম্বা অরানবা মিৎয়েং অদু ফত্তে হায়বদু ফোঙদোক্লি। নুংশিবা হায়বসিনা পূম্নমক মায়থিবা পীবা ঙম্মী হায়বদু ফোঙদোক্লি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীমচাশিং - 'ইচে নুংশিরৈ', 'তায়োন্নরবা খোয়দাজরুবা অমা', 'ইন্দোন জান্ধবী', 'ইতাও', 'ইমা ঐ মথক্তা লৈয়ে', 'রামু প্রসাদকী সনাথোইবী', 'ইম্ফাল কাবা" 'শামরক-ঙামরক্কী লম' অসিনচিংবা ৱারীমচাশিং অসিগী ইতোপ তোপ্পা মহাউ অমমমদি লোইনা য়াওরি। খূৎই অসি চাংয়েং ওইনা ইবসু য়াওরি। মায় পাক্লে হায়না খল্লি। মরমদি পাবদা নুংঙাইহল্লি, ৱাখল খন্থহল্লি অমসুং খুন্নাই অসিবু অমুক কুপথনা য়েংনীংহল্লি, শেমদোকপা য়াবা শেমদোক্তুনা অফবা, ফজবা ফিদম্নিংঙাই ওইবা মায়কৈদা লাকহন্নীংই। লেপ্তুনা ৱারীমচাগী লাইরিক খুদোল তম্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১) **"অশাংবা ৱারী অসি ১৯৮৯দা ইখিবনি। খোৎনীংবগী মিহুল অমদগী পঙখোৎ খোৎখিবা হায়বদুনি পঙফ ফগদবা মান্দে।"** ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী মমিং লৈরবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ইবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) **"অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমদি অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"লান্মী অহুম"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটর অমসুং লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৪) **"তৎখ্রবা লংলা"** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৫) **'হেলোয়গী ৱাশক"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫,ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।